# চেন্নাইয়িন ফুটবোল ক্লব (আর) বু থোইদুনা ত্রাওনা ফাইনেল রাউন্দগী আশা তৌরি




ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস) : সেকেন্দ দিভিজন লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হয়েং ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্কী ম্যেন ষ্টেদিয়মদা হোম মেচ ওইনা মণিপুরগী ক্লব টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ত্রাও) না চেন্নাইয়িন ফুটবোল ক্লব (রিজার্ব) পু মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অসিদগী ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্কালিফাই ওইনবা টিম অসিনা হোৎনগদৌরি।

ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মগী মিদিয়া কনফরেন্স রুমদা ত্রাওগী এসিষ্টেটেন্ট কোচ কে ঐচ সুরমনিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী টিম অসিনা গ্রুপ সীগী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈরবসু মমৈদা লৈরিবা চেন্নাইয়িন ফুটবোল ক্লবপু লায়না লৌদে। গ্রুপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগতা য়াওবা টিমশিংগী রিজার্ব শান্নরোয়শিং ফাইনেল রাউন্দ য়াওরোইদবা মরম্না করিগুম্বা হয়েংগী মেচ অসি ত্রাওনা মায় পাকপা তারবদি পোইন্ট ২০ ফংদুনা শুংশোয় শোয়দনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌগদৌরিবনি।

নাকল অমরোমদা, চেন্নাইয়িন এফ সী (রিজার্ব) কী কোচ হরিস ভি কেনা ফোঙদোকখিবদা ত্রাওগী টিম্বু মখোয়না য়ুম্বু ওইরগা এপ্রিল ১২দা শান্নখিবা মেচ অদুদা শুপ্নগী পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখি। হায়রিবা মায়থীবা অদু হয়েংগী মেচ অসিদা শিংদোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনগনি হায়খি।

চেন্নাইয়িনগী টিম হৌজিক ফাওবদা মেচ ৯ শান্নবা লোইরবা মতুং পোইন্ট ৬ খক ফংলি। মখোয়না হয়েংগী অরোইবা লীগ মেচ অসি থোইবা তারবদি পোইন্ট ৯ ফংদুনা জমসেদপুর এফ সী (রিজার্ব) তগী পোইন্ট অমা হেল্লগা টিম তরুক্কী গ্রুপ অসিদা মঙাশুবদা হাইগৎপা ঙমগদৌরিবনি।

ত্রাওগী ওইনা হয়েংগী মেচ অসিগী মতুংদা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়ম অসিমক্তদা থা অসিগী ১৩দা মেঘালয়া ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা লাম্নলীংগা অরোইবা লীগ মেচতা শান্নগনি। লাম্নলীং এফ সী মেচ ৯ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৫ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈরি। বেঙ্গালুরু এফ সী (রিজার্ব) ত্রাওগা চপ মান্নবা মেচতা চপ মান্নবা পোইন্ট ফংমিন্নরবসু গোল দিফরেন্সতা ত্রাওনা হেনবদগী টেবলগী মকোক্তা লৈরিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মিদিয়া কনফরেন্স অদুদা ত্রাওগী এসিষ্টেন্ট কোচ সুরমনিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মরুওইবা শান্নরোয় লীগ অসিগী ওইনসু পাঞ্জল ৬ চনবা ঙল্লিবা নাইজেরিয়া মচা ওলারিচ প্রিন্সৱেল ইমিকা মমাঙদা য়েলো কার্দ অমা ফংখিবা মরম্না য়াম্না চেকশিন্না শান্নহন্নীংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

ত্রাওগী কেপ্তেন ফালগুনিসু য়েলো কার্দ অমা ফংখিবা মরম্না হয়েংগী মেচ অদুদা চেকশিন্না শান্নদ্রবদি রেদ কার্দ ফংবা য়াবগী তাঞ্জা লৈরিবনি। লীগ অসিগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না আই এস এলগী রিজার্ব টিমশিং ফাইনেল রাউন্দদা শরুক য়ারোইদবা মরম্না টিম মরিখক খনগৎলগা ফাইনেল রাউন্দ শান্নগদৌরিবনি।



# এস এ দি এ সঞ্জেনবম মায় পাকখ্রে, ৱাই এম সী হরাওরৌ অমসুং সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ দ্রো চংখ্রে



*১৩শুবা তেলৌ জোইন্ট কোওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ত্রোফিদা এস এ দি এ অমদি এন ৱাই সী শান্নখিবা মেচ*

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস) : ইষ্টর্ন য়ুনাইটেদ স্পোর্টিং ক্লবনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা ১৩শুবা তেলৌ জোইন্ট কোওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ত্রোফি ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস এ দি এ সঞ্জেনবম মায় পাকখ্রে। অদুগা ৱাই এম সী হরাওরৌ অমসুং সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ দ্রো চংখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৮না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১৩শুবা তেলৌ জোইন্ট কোওপরেটিভ ফার্মিং সোসাইটি লিমিটেদ ত্রোফি ২০১৮গী ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দগী গ্রুপ সীগী ৱাই এম সী হরাওরৌ অমসুং সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১২শুবা মিনিটতা সী ঐচ ৱাই য়ু সীগী গৌতম্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। সী ঐচ ৱাই য়ু সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ৱাই এম সীগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী ৩৩শুবা মিনিটতা সী ঐচ ৱাই য়ু সীগী ঙাইস্নানা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা সী ঐচ ৱাই য়ু সীনা গোল ২-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনিট ২ কান্নরগা মেচকী ৩৫শুবা মিনিটতা ৱাই এম সীগী সদানন্দনা সী ঐচ ৱাই য়ু সীগী অহানবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু ৱাই এম সীনা গোল ১-২দা লৈখি। মেচকী লোইরমদাই ৪২শুবা মিনিটতা ৱাই এম সীগী অথোইনা সী ঐচ ৱাই য়ু সীগী অনীশুবা গোল অদুসু হন্দোক্তুনা মেচ অদু গোল ২-২দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু ৱাই এম সী হরাওরৌ অমসুং সী ঐচ ৱাই য়ু সী চালৌ গোল ২-২দা দ্রো চংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী এন ৱাই সী নোংদম অমসুং এস এ দি এ সঞ্জেনবম শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা এস এ দি এনা লাকচনা শান্নখি। মেচ অদু এস এ দি এনা এন ৱাই সীবু গোল ৫-০দা মায়থীবা পীখি। এস এ দি এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বিজেন্না মেচকী ৫শুবা, ৭শুবা অমসুং ১২শুবা মিনিটতা গোল ৩, মালো অমসুং নাওতোন্না মেচকী ১৭শুবা অমসুং নাওতোন্না মেচকী ৩৩শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখিবনি।

# মণিপুর পেনকাক সিলাট টিম তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস) : গুৱাহাটিগী কর্মবির নবিনচন্দ্র বোর্দোলোই এ সী ইন্দোর ষ্টেদিয়ম সারুসজাই স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌখিবা মে ৪দগী ৭ ফাওবা পাঙথোকপা ৪শুবা সব জুনিয়র অমসুং জুনিয়র নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা পেনকাক সিলাট শান্নরোয়শিং ঙসি স্কুল ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট ফয়েং, কংলৈপাক মোর্দন ইংলিস স্কুল, শিংদা মৈরা পায়বী, শিংদা য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব অমদি মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্তুনা তরাম্না ওকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অদুদা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপীমচাগী অন্দর-১২গী কেজি ৩৬তা এ নিরভা, কেজি ৪২দা টি ঐচ কংলৈঙানবী, কেজি ২৮দা এন আশাকিরন, কেজি ৩০দা এ তেনোই, কেজি ৩২দা এ রেজিয়া, কেজি ৪২দা এ মেলোদি অমসুং অন্দর-১৭কী কেজি ৬০দা টি ঐচ অঞ্জলিনি। নুপীমচাগী অন্দর-১৪গী কেজি ৫১দা এন প্রিয়ানা শিলভর অমসুং অন্দর-১৭কী কেজি ৫১গীদা নাওবি লাইশ্রম্না ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপামচাগী গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি অন্দর-১২গী কেজি ৩৮দা এ মেঘচন্দ্র, কেজি ৩০দা এ এলেননি। অন্দর-১৪গী কেজি ৪২দা এ বিকিনি। শিলভর লৌরকখ্রবা অন্দর-১৪গী কেজি ৪৪দা পি ভিক্তরনি। অন্দর-১৪গী কেজি ৩২গী কেটাগোরিদা কে য়াইফবা অমসুং কেজি ৩৪দনা এন জেক্সন্না ব্রোঞ্জ লৌখিবনি।



# এস দব্লিয়ু এ সেক্তা অমসুং দি এফ সী শওম্বুং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এনএস) : ইম্ফাল ইষ্ট ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা নুঙ্গৌই অৱাং লৈকায় প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা লেট মোংজম ইবোচৌ এন্দ লেট মোংজম ওংবী অহনবী মেমোরিএল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস দব্লিয়ু এ সেক্তা অমসুং জি এফ সী শওম্বুং মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২১না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা লোংজম ইবোচৌ অমসুং লোংজম ওংবী অহনবী নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ১৫শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী ৱাই দি এ ৱাইতোন অমসুং এস দব্লিয়ু এ সেক্তা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ লোইশিল্লকপদা এস দব্লিয়ু এ সেক্তানা ৱাই দি এ ৱাইতোনবু গোল ৫-২দা মায়থীবা পীখি। এস দব্লিয়ু এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু বোবিনা মেচকী ৭শুবা, ৩০শুবা, ৪০শুবা অমসুং ৫০ প্লস টুদা গোল ৪ অমসুং রনদন্না মেচকী ২৫ প্লস টুদা গোল অমা চনখি। মায়থীহৌরবা ৱাই দি এ ৱাইতোনগী গোল অনী অদুনা দেবিদনা মেচকী ৩৯শুবা অমসুং রিক্সনা মেচকী ৪৮শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।



**এস টি টি এ সেক্তা অমসুং দি এফ সী শওম্বুংনা শান্নখিবা মেচ**

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী গ্রুপ দিগী এস টি টি সেক্তা অমসুং দি এফ সী শওম্বুং শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী ১৭শুবা মিনিটতা দি এফ সীগী লানসিঙম্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। এস টি টিগী মায়কৈদগী দি এফ সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্লবা এটেক কয়া চথুরকখি। অদুবু এটেকশিং অদু দি এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা নীংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস টি টিগী মায়কৈদগী দি এফ সীগী গোল ২ অদু হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফকী ৩৮শুবা মিনিটতা দি এফ সীগী আর লানগোনগ্রেনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু অমুক গোল ২-০দা লৈহনখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা দি এফ সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অনী অদু হন্দোকপা ঙমদনা এস টি টি সেক্তা মায়থীহৌখি। অদুগা দি এফ সী শওম্বুংনা এস টি টি সেক্তাবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি।



# বোইজ সিঙ্গলস ইভেন্টতা মণিপুরগী রাহুল পামৈ অমসুং হাওবম বুশন ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস) : ওল ইন্দিয়া টেনিস এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর টেনিস এসোসিএসন্না শিন্দুনা লম্ফেলদা লৈবা ওফিসরস ক্লবতা পাঙথোকপা এ আই টি এ-এম এ টি এ অন্দর-১৬ বোইজ এন্দ গার্লস সুপর সেরিজ টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী বোইজ সিঙ্গলস ইভেন্টতা মণিপুরগী রাহুল পামৈ অমসুং হাওবম বুশন ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।





তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়াগী নুপামচা ৩১ অমসুং নুপীমচা ১৭ পুন্না শান্নরোয় ৪৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা এ আই টি এ-এম এ টি এ অন্দর-১৬ বোইজ এন্দ গার্লস সুপর সেরিজ টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা বোইজ সিঙ্গলস ইভেন্টকী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা রাহুল পামৈনা দেল্লিগী সুভরাট মোলবু ৬-৪, ২-৬, ৬-৩দা, হাওবম বুশন্না অরকা বেনর্জিবু ৬-৪, ৬-১দা, অমন অদিল টেজব ৱালানা সঙ্কর হৈস্নামবু ৬-০, ৬-২দা, নিটিস বালা নলুশ্বামিনা নিনাট কে রবিবু ৭-৫, ৬-১দা, ধনুশ এন পটেলনা নহাটা টনিসপু ৬-৩, ৬-৩দা, মেধান্স জেন্না কেবিন কাৰ্টপু ৬-১, ৬-২দা, অঞ্চিৎ গোগোয়না সিদার্থ মালিকপু ৬-৪, ৬-০ অমসুং লিসি জলোতানা মহেশ অহৈবম্বু ৬-০, ৬-২দা মায়থীবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গার্লস সিঙ্গলস ইভেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা সেরিন অহম্মদনা মণিপুরগী অগু য়ুম্নাম্বু ৬-৩, ৬-৩দা, ইসিকা চকমানা ইসিতা সিংবু ৬-০, ৬-০দা, সিমরিন অহম্মদনা ইভানা সিংবু ৬-০, ৬-১ অমসুং এসলি বরগেবিলনা সর্টভিসা ঘোসপু ৬-১, ৬-১দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখি।

ঙসি শান্নখিবা গার্লস দবলসকী ইভেন্টতা প্রিসা বট্টরজি অমদি লিন্দা লাইশ্রমগী জুরানা গাইত্রি ঘোস অমদি অগু য়ুম্নামগী জুরাবু ৭-৫, ৬-১দা অমসুং ইভানা সিং অমদি এসলি ভর গিলবিগী জুরানা ইসিতা সিং অমদি থোইবী য়ুম্নামগী জুরাবু ৬-০, ৬-২দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

এ আই টি এ-এম এ টি এ অন্দর-১৬ বোইজ এন্দ গার্লস সুপর সেরিজ টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী বোইজ দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা ধনুস এন পটেল অমদি রিসি জলোতাগী জুরানা অরুনেস বোরা অমদি সিদার্থ মালিক্কী জুরাবু ৬-৩, ৬-৪দা, অমন অদিল অমদি অয়ান টেজব ৱালাগী জুরানা রোনাক ঘোস অমদি নন্দা বিকনেসকী জুরাবু ৬-১, ৭-৫দা, টনিস নহাটা অমদি সুভরাক মোলগী জুরানা কেবিন কার্ট অমদি বলাজি নলুশ্বামিগী জুরাবু ৭-৫, ৬-৩দা অমসুং রাহুল পাম্বৈ অমদি হাওবম বুশনগী জুরানা ভরুন গোলুসুপুদি অমদি রবি নিনাথকী জুরাবু ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

## ষ্টেট লেভেল মুক্না টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ৱাঙু তম্ফা মুক্না এসোসিএসন্না চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপগুম কুমসি চহীগী ওইনসু ৯লকশুবা ষ্টেট লেভেল মুক্না টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১৩দা ৱাঙু তম্ফা লাইরেম্বী হরাউবুংদা পাঙথোক্লগনি। টুর্নামেন্ট অসি কেজি ৭০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মুক্না শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ১২ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা তাবদা লুপা লিশীং ১০, অনীশুবদা লুপা লিশীং ৮, অহুমশুবদা লুপা লিশীং ৫ অমসুং ৪শুবা তাবদা লুপা লিশীং ৩ পীগনি। অকুপ্পা মরোল এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ইঙোবা অমসুং সেক্রেটরি এল তম্ফাদগী খঙলবা য়াগনি হায়না ৱাঙু তম্ফা লাইরেম্বী মুক্না এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট/সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্কি।

HL-C/073/9



HL-B/4616/9-18/5






HL-B/4594/23/4-22/6 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com